HUEIYEN LANPAO

৩শুবা পুপু কপ ষ্টেট লেভেল ফুটবোল টুর্নামেন্ট

# মরুপ এফ সী হৈরোক্লা পি ব্রাই পি সী পুংদোংবম্বু মায়থীবা পীরন্নগা চেম্পিয়ন ওইখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৩ (ঐচএন এস)ঃ দি পেরদাইস য়ুনিয়ন পুংদোংবম (পুপু) না শীন্দুনা পুংদোংবমগী শান্নবুংদা পাঙথোকখিবা ৩শুবা পুপু কপ ষ্টেট লেভেল অন্দর-১৭ নাইন মেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯দা মরুপ এফ সী হৈরোক্লা পি ব্রাই পি সী পুংদোংবম্বু মায়থীবা পীরন্নগা চেম্পিয়ন ওইখ্রে।




টিম ১৪না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ ৪ থোক্লা খাইদোক্তুনা লীগ রাউন্দ বেসিসতা পাঙথোকখিবা ৩শুবা পুপু কপ ষ্টেট লেভেল অন্দর-১৭ নাইন মেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ লোইশিনবগী থৌরম অদুদা হোর্টিকলচর সোইল কঞ্জার্ভেসন এন্দ টাউন প্লান্নিংগী মিনিষ্টর থৌনাওজম শ্যামকুমার, লমলাই এসেমব্লি কন্সটিটুয়েন্সিগী এম এল এ ক্ষেত্রিময়ূম বিরেন অমসুং ২-শওম্বুং গ্রাম পঞ্চায়টকী জিলা পরিষদ মেম্বর ইরুংবম রবিচন্দ্র মীতৈনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রেসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

অহুমশুবা পুপু কপ ২০১৯গী ফাইনেল মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ১ তাবা মতমদা মরুপ এফ সী হৈরোক অমসুং পি ব্রাই পি সী পুংদোংবম শান্নখি। মেচ অদুগী অহানবা মীৎকুপ্তুগী লোইবা ফাওবদা টিম অনীনা চেম্পিয়ন ওইনবগীদমক অকনবা লম্বা তৌনদুনা ফজনা শান্নখি। অহানবা হাফকী অঙনবা মতম মেচকী ৯শুবা মিনটতা মরুপ এফ সীগী জর্সি নম্বর ১৬ বিক্রমনা মেচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা মেচ অদু মরুপ এফ সীনা পাঞ্জল ১-০দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

পি ব্রাই পি সীগী মায়কৈদগীসু বিক্রম্না চনখিবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্নবা এটেক কয়া চথরকখি। অদুবু অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পি ব্রাই পি সীনা মরুপ এফ সীগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙমদনা মেচ অদু মরুপ এফ সীনা পাঞ্জল ১-০দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপগা টিম অনীনা অহানবা হাফতা শান্নখিবা মওংদগী হেন্না য়াঙনা শান্নরকপা উখি। মেচকী ৩৯শুবা মিনটতা পি ব্রাই পি সীগী জর্সি নম্বর ১১ মায়ঙৌনা মরুপ এফ সীগী অহানবা হাফতা মাঙজিল থাদুনা লাক্লিবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্তুনা মেচ অদু পাঞ্জল ১-১দা লৈনখি। মেচ অদু মায় পাক্নবগীদমক মায়কৈ অনীমক্তগী অহেনবা গোল চন্ননবা য়াঙনা শান্নরকখি।

মেচকী ৫২শুবা মিনটতা মরুপ এফ সীগী জর্সি নম্বর ১১ ঐচ সিটলনা চনখিবা অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদুনা মেচ অদুগী অরোইবা মীৎকুপ লোইশিল্লকপদা মরুপ এফ সী হৈরোক্ল া পি ব্রাই পি পুংদোংবম্বু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীরন্নগা ফুটবোল কপ অসিগী চেম্পিয়ন ওইখি।

পুপু কপ অসিগী বেষ্ট দিসিপ্লিন টিমনা সনামহী এফ সী পুংদোংবম, বেষ্ট প্লেয়রনা পি ব্রাই পি সী পুংদোংবমগী জর্সি নম্বর ১১ এ মাইঙৌ, বেষ্ট গোলকিপরনা মরুপ এফ সী হৈরোক্কী জর্সি নম্বর ১ এস কেনেদি, বেষ্ট দিফেন্দরনা পি ব্রাই পি সী পুংদোংবমগী জর্সি নম্বর ৫ টি ঐচ অরিস, বেষ্ট মিদফিল্ডরনা মরুপ এফ সী হৈরোক্কী জর্সি নম্বর ৭ ব্রাই সুরজ, টোপ স্কোররনা এস বি আর এফ সী নোংদমগী জর্সি নম্বর ১০ রোনাল্ডে, মেন ওফ দি ফাইনেল মেচনা মরুপ এফ সী হৈরোক্কী জর্সি নম্বর ১৬ এল বিক্রম, বেষ্ট ষ্ট্রাইকরনা মরুপ এফ সীগী জর্সি নম্বর ১০ এল থোইবা, য়ঙ্গেষ্ট প্লেয়র ওফ দি টুর্নামেন্টনা লমঙানবা এফ সী হৈকক মপালগী জর্সি নম্বর ১৩ ও দাইমন্দ অমসুং ফিটেষ্ট প্লেয়র ওফ দি ফাইনেল মেচনা পি ব্রাই পি সী পুংদোংবমগী জর্সি নম্বর ২০ দল্লিয়ু অবোয়স্নানা তাখি।

লোইশিনবগী থৌরম অদুদা দাইজ মেম্বর ওইনা শরুক য়াখিবশিংনা ব্রিন্নর ওইখ্রবা টিমদা ত্রোফি য়াওনা শেলগী মনা লুপা লিশীং ৩০, অনীশুবা পোজিসন তাখ্রবা টিমদা ত্রোফি য়াওনা শেলগী মনা লুপা লিশীং ২৫, অহুমশুবা পোজিসন তাখ্রবা এস বি আর এফ সী নোংদমদা ত্রোফি য়াওনা শেলগী মনা লুপা লিশীং ১০, মরিশুবা পোজিসন তাখ্রবা কে এফ সী খুরাইদা ত্রোফি য়াওনা শেলগী মনা লুপা লিশীং ৫ অমসুং বেষ্ট দিসিপ্লিন টিমদা ত্রোফি য়াওনা শেলগী মনা লুপা লিশীং ৩ অমদি তোঙান তোঙানবা টাইটল ফংখ্রবা শান্নরোয়শিংদা ত্রোফিগা লোয়ননা শেলগী মনা লুপা লিশীং ২/২সুখৃৎশিন্নখি।

# মণিপুর সম্বো টিম পোন্দিচেরিগীদমক ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৩ (ঐচএন এস)ঃ সম্বো ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা থা অসিগী ৮দগী ১০ ফাওবা নুমিৎ হুমনি চূপ্না পোন্দিচেরিনা য়ূম্বু ওইদুনা পাঙথোক্ক-দৌরিবা অহানবা নেসনল বিচ সম্বো চেম্পিয়নশিপ ২০১৯দা শরুক য়ানবা মণিপুর সম্বো টিম ঙসি ইম্ফালগী ইন্টর ষ্টেট বস টর্মিনস (আই এস বি টি) দা মণিপুর সম্বো এসোসিএসনগী পেত্রোন লোয়ননা কুম্বী এ সীগী এম এল এ এস বিরনা ফ্লেগ ওফ তৌদুনা পোন্দিচেরিগীদমক লমথাখ্রে।

লৈবাক অসিগী মফম ষ্টেট কয়াগী সম্বো শান্নরোয়শিংনা শরুক য়াদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা অহানবা নেসনল বিচ সম্বো চেম্পিয়নশিপ ২০১৯দা মণিপুরগী সম্বো টিমদা শরুক য়ারিবা শান্নরোয়শিং অদুদি নুপীগী কেজি ৪৮গী কেটেগোরিদা কে ঐচ অর্বান শহানি, কেজি ৭৫গী কেটেগোরিদা অঙোম বিনা, কেজি ৩৮গী কেটেগোরিদা টি ঐচ প্রিয়াঙ্কা, কেজি ৮৬কী কেটেগোরিদা টি ঐচ নেহা, কেজি ৪০গী কেটেগোরিদা কে ঐচ ব্রাহিলা অমসুং তোম্বনি।

নুপা শান্নরোয়শিং অদুদি কেজি ৯৫গী কেটেগোরিদা ব্রাই ষ্টেলিন, কেজি ৫০গী কেটেগোরিদা এল নেলসন, কেজি ৬০গী কেটেগোরিদা কে ব্রাইন, কেজি ৬২গী কেটেগোরিদা টি রিসিকান্ত শর্ম্মা, কেজি ৫৭কী কেটেগোরিদা লনচেনবা লুব্রাং, কেজি ৫২গী কেটেগোরিদা টি ঐচ দেবচন্দ্র, কেজি ৬০গী কেটেগোরিদা কে সুন্দর মৈতৈ, কেজি ৫৬কী কেটেগোরিদা কে প্রেমকুমার মীতৈ, কেজি ৫৩গী কেটেগোরিদা টি ঐচ প্রিয়ানন্দ, কেজি ৫৫গী কেটেগোরিদা ঐচ বিশ্বরজিৎ অমদি কেজি ১০৫গী কেটেগোরিদা লিওনার্দো এমনি।

মণিপুরগী সম্বো টিম অসিবু লুচিংলিবশিং অদুদি টিম মেনেজরদা ঐচ রোমেন, টিম কোচতা আই দিনেস মীতৈ, এসিষ্টেন্ট কোচতা এল সিংহজিৎ অমদি ওফিসল ওইনা টি ঐচ ইবুংঙোচৌবা অমসুং টালা অহম্মদনি।

এম এল এ বিরনা ফোঙদোকখিবদা রসিয়ন আর্মিনা মখোয়গী সেফ দিফেন্সকীদমক শীজিন্নরম্বা হৌজিক্লা ব্রর্ল্ড ব্রাইদ স্পোর্টস ইভেন্ট ওইনা শকখঙলক্লবা সম্বো মশান্না অসি মণিপুরদা অনৌবা মশান্না ওইজরবসু মণিপুরগী নাটকী ওইনা লৈজরক্লবা শরিৎ শরাক অমদি মুক্নাগা য়াম্না মান্নবা ওইবনা য়াম্না চুশিন্নগনি অমদি চেম্পিয়নশিপ অসিদা গোল্ড মেদলশিং লৌবা ঙম্লক্কনি হায়খি।

# পাঙ্গৈজম মোহোন সিংহ মেমোরিএল অন্দর-১৫ বোইজ সভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট হৌদোকখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৩(ঐচএন এস): ওর্গেনাইজিং কম্মিটি ওন হৈঙাং ময়ায় লৈকায় স্পোর্টস এন্দ দিভলপমেন্ট কম্মিটিনা শীনবা অহানবা ষ্টেট লেভেল লেট পাঙ্গৈজম মোহোন সিংহ মেমোরিএল অন্দর-১৫ বোইজ সভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট হৌদোকখ্রে।

হৈঙাং ময়ায় লৈকায় লম্পাক্তা ঙসি পাঙথোকখিবা টুর্নামেন্ট হৌদোকপগী থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা এক্স এম এল এ ডা. এন জি বিজয়না হায়খি, শান্ন-খোৎনববু য়োকখৎপা হায়বসি য়াম্না মরু ওইবা অমনি। এদ্যুকেসন অমদি শান্ন-খোৎনবগী লম্‌দা ইনখৎলক্লিবা নহাশিংবু নীংথিনা মখোঙ শোম্বীবা তাই। ব্রাখল লৌশিং লৈবা নহাশিং শেমগৎনবা হোৎনবদা এদ্যুকেসন হায়বসি য়াম্না মরু ওইবা অমনি। এদ্যুকেসনগী মরু ওইবা অসি খঙনরকপনা মরম ওইদুনা হৌজিক্কী মতমদা হীরম অসিদা অখন্নবা মীৎয়েং কয়া চঙলক্লি।

শান্ন-খোৎনবা হায়বসিসু হৌজিক্কী মতমদা তঙাইফদনা চঙদ্রবা য়াদ্রবা অমা ওইরক্লে। অসিগুম্বা টুর্নামেন্ট অসি শিনবনা শান্নববু য়োকখৎপদা য়াম্না মরু ওইবা ওইগনি। নহাশিংবু মশা মউ ফনা থম্নবা হোৎনবদা শান্ন-খোৎনববু য়োকখৎপা হায়বসি য়াম্না মরু ওইবা লৈ হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা ঈ কে হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী সেক্রেটরি পি সরতচন্দ্রনা হায়খি, ঙসি টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লিবা লম্পাক অসি লাইওইখ্রবা অহল লমন কয়াগা লোয়ননা য়াম্না ব্রানা লৈবাক থোন্দুনা শেমগৎলকখিবনি। লমদম অসোমগী নুপী কয়ানসু লম্পাক অসি শেম্বদা থৌদাং কয়া লৌখি।

লম্পাক অসিবু শেম্বদা থৌদাং লৌরম্বা নুপী কয়া ঙসিদি ময়ূম মকৈ পান্দুনা তোঙান তোঙানবা মফমদা লৈনখ্রবা য়াওনখ্রে। অসিগুম্বা য়াম্না মরু ওইবা শান্ন-খোৎনবগী মফম অমা ওইরিবা লম্পাক অসি নিংথিনা শেমগৎপা তাই। ষ্টেটকী থাক্তা ফুটবোল টুর্নামেন্ট পাঙথোকপা ঙম্লকপা অসি য়াম্না নুংঙাইবা ফাওই। লম্পাক অসিবু শেম্বদা থৌদাং লৌবিরম্বা কয়ানসু অসিগুম্বা ষ্টেট থাক্কী টুর্নামেন্ট অসি পাঙথোকপগী পাউ তাবদা নুংঙাইবা পোক্কনি।

মণিপুরদা হৌজিক মীয়াম্না সিটিজনশিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০১৬কী ঈহৌ চঙশিন্দুনা লাক্লি। বিল অসি লমদমসিগী য়েলহৌমীশিংদা য়াম্না চাউনা শোক্কদবা ওইবনা খোঙজং কয়া অসি চঙশিল্লক্লিবনি। অসিগুম্বা বিল অসিগী মায়োক্তা ঐখোয় পূম্নমক্না অমত্তা ওইনা লেপ্পা তাই। য়েলহৌমী কন্নবা হোৎনবদা ঐখোয় খুদিংমক্না অমত্তা ওইনা থৌদাং লৌমিন্নসি।

লমদমসিগী চিরবা তানফম অসিদা ঐখোয় পূম্নমক্না অমত্তা ওইবা থৌদাং লৌমিন্নদুনা য়েলহৌমীশিংগী শক্তম অসি ঙাক্লবা হোৎনবা তাই। ঐখোয়গী মমাঙঙৈদগী লৈজরক্লিবা নাট, চৎনবী অমদি শক্তম অসি তুং কোয়না ঙাক্তুনা থম্নবা হোৎনমিন্নসি। লমদম অসি শান্ন-খোৎনবগী লম্‌দসু থোইদোক হেন্দোক্লা শিংথানীংঙাই ওইবা লমনি। ঐখোয়গী হৌগৎলক্লিবা অঙাংশিংবু শান্ন-খোৎনবগী লম্‌দা নীংথিনা শেম্বীদুনা মালেমগী থাক্তা মাঙজিল থানা চৎপা ঙম্বা শান্নরোয়শিং ওইবা ঙম্নবা হোৎনমিন্নসি।

ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসি পাঙথোকপা অসিনা মশান্না অসিবু য়োকখৎপদা থৌদাং খরদং য়াবা ঙমগনি থাজে। মখা তানসু হোৎনখিগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা হৈঙাং ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট ডা. এন জি ব্রোজেন্না গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি অহৌবা নুমিৎতা কে ব্রাই এফ এ (এ) কোইরেঙ্গৈ অমদি এস ব্রাই পি ও এল লোইতাংনা শান্নখি।

ফর্ষ্ট লাইরেম্বী কপ ২০১৯ ভিলেজ ওপন নাইন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট

# এম পি ব্রাই সী মোইরাংখোম, ব্রাই দি সী খোইরোম মায় পাকখ্রে, এন কে জে সী অমদি এফ এফ সী সী দ্রো চৎখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৩(ঐচএনএস)ঃ নুংব্রাং এফ সীনা শীন্দুনা ফুটবোল ক্লব অসিগী শান্নবুংদা চথরিবা ফর্ষ্ট লাইরেম্বী কপ ২০১৯ ভিলেজ ওপন নাইন এ সাইদকী ঙসি শান্নখিবা লীগ রাউন্দগী মেচতা এম পি ব্রাই সী মোইরাংখোম অমসুং ব্রাই দি সী খোইরোম মায় পাকখ্রে। অদুগা এন কে জে সী কৈথেলমানবী অমদি এফ এফ সী সী অংথা দ্রো চৎখ্রে।

টিম ১৮না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ মরি থোক্লা খাইদোক্তুনা চথরিবা ফর্ষ্ট লাইরেম্বী কপ ২০১৯ ভিলেজ ওপন নাইন এ সাইদকী লীগ রাউন্দগী ১৫শুবা মেচ ওইনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ এগী এম পি ব্রাই সী মোইরাংপুরেল অমসুং এ দল্লিয়ু বি আর ব্রাই সী অন্দ্রো লম্বা তৌনখি।

মেচ অদুগী অহানবা হাফতগী লোইবা ফাওবদা টিম অনীনা মায় পাক্ন বগীদমক ফজনা শান্নখি। অহানবা হাফকী ১৫শুবা মিনট ফাওবদা মায়কৈ অনীদগী লম্বা চানা শান্নখিবনা পাঞ্জল ওইনা ওন্থোকপা ঙম্নদনা মেচ অদু পাঞ্জল ০-০দা লৈনখি। মেচকী ১৬শুবা মিনটতা এম পি ব্রাই সীগী জর্সি নম্বর ৭ টি নিঙোম্বা মীতৈনা মেচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল চনবদা নত্তনা মহাক্কী টিমগী গোল একাউন্ট হাংদোক্লগা এম পি ব্রাই সীনা পাঞ্জল ১-০দা মাঙজিল থাখি। মিনট ৩ কান্নরগা মেচকী ১৯শুবা মিনটতা এম পি ব্রাই সীগী জর্সি নম্বর ১২ এল সোমোরজিৎ মীতৈনা মহাক্কী টিমগী অনীশুবা পাঞ্জল চনশিল্লগা মেচ অদু এম পি ব্রাই সী মোইরাংপুরেলনা পাঞ্জল ২-০দা লৈখি।

এ দল্লিয়ু বি আর ব্রাই সী অন্দ্রোগী শান্নরোয়শিংনা এম পি ব্রাই সীনা পাঞ্জল অনী মাঙজিল থাদুনা চৎলিবা অদু অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপদগী লোইবা ফাওবদা এম পি ব্রাই সীগী মায়কৈদগী মেচ অদু খংলাক লাকশিন্দুনা শান্নরকখিবনা মেচ অদু এম পি ব্রাই সী মোইরাংপুরেলনা এ দল্লিয়ু বি আর ব্রাই সী অন্দ্রোবু পাঞ্জল ৫-০দা য়াম্না লাকচনা মায়থীবা পীখি। এম পি ব্রাই সীগী অনীশুবা হাফতা চনখিবা পাঞ্জলশিং অদু টি নিঙোম্বা মীতৈ, ঐচ বুঙো মীতৈ অমদি এল সোমোরজিৎ মীতৈনা মেচকী ২৪শুবা, ৪০শুবা অমদি ৪১শুবা মিনটতা চনখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী লীগ রাউন্দগী ১৬শুবা মেচ ওইনা ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ বিগী ব্রাই দি সী খোইরোম অমসুং পিত্রা এফ সী শান্নখিবা মেচ অদু ব্রাই দি সী খোইরোম্না পিত্রা এফ সীবু পাঞ্জল ৪-১দা মায়থীবা পীখি।

ব্রাই দি সীগী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু জর্সি নম্বর ১৯ বিশ্বরজিৎনা মেচকী ৩১শুবা, জর্সি নম্বর ১৭ দিনেসনা মেচকী ৪০শুবা অমসুং জর্সি নম্বর ১৪ থোইথোইবনা মেচকী ৪৫শুবা অমদি ৪৭শুবা মিনটতা পাঞ্জল ২ চনখি। মায়থীহৌরবা পিত্রা এফ সীগী পাঞ্জল অদুনা জর্সি নম্বর ১২ দেবদাসনা মেচকী ৩৭শুবা মিনটতা চনখি।

অহানবা রাইলেম্বী কপ ২০১৯ ভিলেজ ওপন নাইন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী লীগ রাউন্দগী ১৭শুবা মেচ ওইনা ঙসিগী অহুমশুবা অমদি অরোইবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ বিগী এন কে জে সী কৈথেলমানবী অমসুং এফ এফ সী সী অংথা লম্বা তৌনখি। মেচ অদুগী অহানবা হাফতগী লোইবা ফাওবদা টিম অনীনা লম্বা চানা শান্নখিবনা পাঞ্জল চন্নদনা দ্রো চৎখি।

অনীশুবা হৈবোক টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৯

# সাইক্লোন থাংমৈবন্দনা ক্রাও খম্নাম লৈরক, অল অমিন লিলোংনা রেজ নাগামপালবু মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৩(ঐচ এন এস)ঃ মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসন (এম সী এ) গী মখাদা লংথবাল স্পোর্টিং ক্লব (এল এস সী) লংথবালনা শীন্দুনা লংথবাল মন্ত্রিখোং মখা লৈকায়দা লৈবা লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দদা পাঙথো-ক্লিবা অনীশুবা হৈবোক টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা লীগ রাউন্দগী মেচশিংদা সাইক্লোন থাংমৈবন্দনা ক্রাও খম্নাম লৈরক অমদি অল অমিন লিলোংনা রেজ নাগামপালবু মায়থীবা পীখ্রে।



টিম ২০না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ ৪ থোক্লা খাইদোক্তুনা পাঙথোক্লিবা অনীশুবা হৈবোক টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৯গী লীগ রাউন্দগী ২২শুবা মেচ ওইনা ঙসি অয়ূক অহানবা গ্রাউন্দদা অল অমিন লিলোং অমসুং রেজ নাগামপাল শান্নখি। মেচ অদু রেজ নাগামপালনা টোস ঙমদুনা অহানবা বেট্টিং তৌখি। অদুগা অল অমিন লিলোংনা বোল্লিং তৌখি।

অহানবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা রেজনা ওভর ২০দা ৱিকেট ৮ তুরগা রন ৯৯ লৌখি। রেজকী জয়ন্তনা বোল ৪৪দা রন ৪২ অমসুং সঞ্জিৎনা বোল ৯দা রন ১২ লৌখি। অহানবা ইন্নিংসতা বোল্লিং তৌখিবা অল অমিনগী সমিরনা ওভর ৪ লংবদা ৱিকেট ৪, সবব্রন্না ওভর ৪ লংবদা ৱিকেট অনী অমসুং মুসকাটনা ওভর ২ লংবদা ৱিকেট ২ লৌখি।

অনীশুবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা অল অমিন লিলোংনা ওভর ১৮.৪দা ৱিকেট ৪ তুরগা রন ১০৩ লৌদুনা মেচ অদু অল অমিননা ৱিকেট ৬তা মায় পাকখি। অল অমিনগী মুসকাটনা রন ১৬তা রন ২২, অবদুলানা বোল ১৮দা রন ২৪ অমসুং সমিরনা বোল ৪০দা রন ২১ লৌখি। অনীশুবা ইন্নিংসতা বোল্লিং তৌখিবা রেজকী সঞ্জিৎনা ওভর ৪ লংবদা ৱিকেট ২ অমসুং জেকিচান্দনা ওভর ৩ লংবদা ৱিকেট অমা লৌখি। মেচ অসিদা ৱিকেট ৪ লৌদুনা অল অমিন লিলোংনা মায় পাকপদা চাউনা মতেং ওইখিবা সমিরনা মেন ওফ দি মেচতাখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী লীগ রাউন্দগী ২৩শুবা মেচ ওইনা ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা ক্রাও খম্নাম লৈরক অমসুং সাইক্লোন থাংমৈবন্দ শান্নখি। মেচ অদু ক্রাওনা বেট্টিং তৌখি। অহানবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা ক্রাওনা ওভর ১৯.২দা ৱিকেট লোইনা তুরগা রন ৬৮ লৌখি।

অনীশুবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা সাইক্লোন্না ওভর ১০.৪দা ৱিকেট ২ খক তুরগা রন ৬৯ লৌদুনা মেচ অদু সাইক্লোন থাংমৈবন্দনা ক্রাও খম্নাম লৈরকপু ৱিকেট ৮দা মায়থীবা পীখি। ঙসি শান্নখিবা লীগ রাউন্দগী মেচ অদুদা ওভর ৩.২দা ৱিকেট ৩ লৌবা ঙমখিবা সাইক্লোনগী অকসে কুমারনা মেন ওফ দি মেচ তাখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী হয়েং অহানবা গ্রাউন্দদা টি সী এম দি সী অমদি ফোর্স, অনীশুবা গ্রাউন্দদা পি টি আর সী অমদি পি সী সী শান্নগনি।

# নুমিৎ ৩০নি চূপ্না চথরকখিবা ফ্রী ব্রিন্টর থাঙ-তা ত্রেনিং কেম্প ২০১৯ লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৩(ঐচএনএস)ঃ শগোলবন্দ তেরা লৌক্রাকপম লৈকায়দা লৈবা লিভিং আর্টস একাদেমি মণিপুর (লমন) থাঙ-তানা শীন্দুনা নৈনশঙ ক্লবকী কম্যুনিতি হোলদা জন্যুৱারী ৫দগী ফেব্রুৱারী ৩ ফাওবা নুমিৎ ৩০নি চূপ্না পাঙথোকখিবা ফ্রী ব্রিন্টর থাঙ-তা ত্রেনিং কেম্প ২০১৯ ঙসি নুংথিল পুং ৩.৩০ তাবা মতমদা লোইশিনখ্রে।




ফ্রী ব্রিন্টর ত্রেনিং কেম্প ২০১৯ লোইশিনবগী থৌরম অদুদা মাখোনমনি মোংসাবা, সেরাম মোহিন্দ্রো অমসুং পোৎশংবম খম্বনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রেসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

চীফ গেষ্টকী ব্রারোল পীরদুনা মাখোনমনি মোংসাবনা হায়খি, অসিগুম্বা থাঙ-তা ত্রেনিং কেম্প অসি লৈকায় লৈকায় খুদিংদা পাঙথোকপা য়াম্নমক মরু ওইরে। ঙসিগী মীরোলনা ইপা-ইপূশিংনা থম্বীরম্বা কানরবা মহৈ অসি পূন্না খঙমিন্নবা মতম য়ৌরক্লে। ঐখোয় পূন্না খঙমিননবা হোৎনসি হায়খি।

থৌরম অদুদা প্রসিদেন্ট ওইখিবা সেরাম মোহেন্দ্রোনা হায়খি, লৈকায় অসিদসু অসিগুম্বা কানরবা মহৈ অসি মীয়ামদা খঙহন্নবা হোৎনরকপা খুদিংদা ক্লবকী মায়কৈদগীদি অদুমক মতেং পাংজগে।

ত্রেনিং কেম্প অদুগী ব্রার্কশোপ দিরেক্টর ওইরিবা লমন থাঙ-তাগী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা চুংখাম সুনিলকুমারনা ত্রেনিং কেম্প অসিনা মণিপুরী খুন্নাই অসি মরোমদোম লেপচবা ঙম্নবা অমদি মীপূম খুদিংমক তিঞ্জং কায়জংদবা, মীপান তাংদবা লৈবাক অমা ওইনবগী পান্দমদা ত্রেনিং কেম্প অসি নৈনশঙ ক্লব অসিগা খূৎশম্নরগা পাঙথোকপনি হায়খি।

ত্রেনিং কেম্প অদুদা পূন্না মহৈরোয় ৩০না শরুক য়াখি অমদি সার্টিফিকেট য়েন্থোক্তুনা অমসুং মহৈরোয়শিংনা তমখিবা মহৈ-মশিন অসিনা মীয়ামদা অমুক খুদোল তমদুনা থৌরম অদু মপূংফানা লোইশিনখি হায়না লিভিং আর্টস একাদেমিগী সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমদা খঙহল্লক্লি।

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com